# লময়ানবা বোদি বিল্ডিং শান্নরোইশিংগী মনুংদা সোইবম মেঘচন্দ্র

রত্নেশ্বরী গোস্বামী



সোইবম মেঘচন্দ্র

*মখা চত্থরকপা ...*

মিষ্টর মনিপুরগী কন্টেষ্ট কয়াদা ইতৎ তত্তনা মাইপাক্লকখিবা, লোয়ননা ওল আসাম ইন্টর কলেজ স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদা মনা-মথুম পুদুনা হেক হেক হল্লকখিবা অদুনা দি এম কোলেজগী ওঝাশিংনসু সোইবম মেঘচন্দ্রবু থোইদোক হেন্দোক্লা শকখংবীখি। মহাক্লা শান্ন-খোৎনবদা মীথোই-মীহেনবা ওইরকপদু ওঝাশিংনসু মার্ক তৌদুনা থমখি। দি এম কোলেজনা তপ্না তপ্না চাউখৎলকপগা ইরোইননা, স্পোর্টসকী ইহৌ অমসু কোলেজসিদা লৈহন্নবা ওঝাশিংনা খন্নবা হৌরকখি। মতাংসিদা সোইবম মেঘচন্দ্রবু নিংশিংনরকখি।

নোংমা বি এস সী টেষ্টকী পরিক্ষা থারিঙৈদা মহাকপু দি এম কোলেজগী প্রিন্সীপাল মিষ্টর কোলনা কৌরকখি। লোইননা মহাকপু মদ্রাজগী ৱাই এম সি এ কোলেজদা ফিজিকেল ইদুকেশন তম্নবা ৱাফম হৌদোরকখি। মদ্রাজগী ৱাই এম সি এ কোলেজদগী মাইপাক্না হল্লকবা মতুংদা, দি এম কলেজদা ফিজিকেল ইনষ্ট্রক্টর ওইবগী ৱাফম য়ানখি। অসুম্না কুমজা ১৯৫৭ তা মদ্রাজগীদমক খোঙশানখি।

ফিজিকেল ইদুকেশন তম্বা অদুসু মশাগা হেন্না চান্নবা ওইদুনা চাওনা মাইপাক্তুনা হল্লকখি। ট্রেনিং মফম অদুদা পাঙথোকখিবা স্পোর্টসকী চাংদম্নবা কয়াদসু মকোক ওইবা ঙম্লকখি। সোট-পুট অমদি জেভলিন থ্রোদা ভারতকী অতৈ মফমদগী লাকখিবা ট্রেনিশিংদগী হেন্দুনা অহানবা মনা ফঙলকখি। লোইননা মিষ্টর ৱাই এম সি এগী মীঙথোলসু ফঙলকখি। অসুম্না, ফিজিকেল ইদুকেশন কোর্স মাইপাক্না লোইশিল্লবা মতুংদা, দি এম কোলেজদা ইহান হানবা ফিজিকেল ইনস্ত্রক্তর ওইনা থৌ


১৯৬৩ গী ৱাই এম সি এ মিষ্টর সোইবম মেঘচন্দ্র

পুবা হৌরকখি। মশাগা চান্নজবা শিনফম অমা ওইনা, দি এম কোলেজগী ছাত্র-

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

ছাত্রি কয়াদা, মশান্না কয়া লমজিং লমতাক তৌদুনা স্পোর্টসকী ইহৌ অমা শাগৎলকখি। মহাক্কী লমজিং মখাদা থৱাই য়াওনা হোৎনরকখিবা মহৈরোই কয়া, শান্ন-খোৎনবদা হেন্না খুমাং চাউশিনবা ঙম্লকখি। ওল আসাম ইন্টর কলেজ স্পোর্টস ফেষ্টিবেলদা চহী ১০ চুপ্না দি এম কলেজনা টিম চেম্পীয়ন ওইবসু ঙমখি। অদুদসু নত্তনা, ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি চেম্পীয়নশিপ্তসু মহাক্না ফিজিকেল ইন্স্ট্রক্টর ওইনা পুরিঙৈদা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিনা চেম্পীয়ন লৌরকপসু য়াওখি। মদু, দি এম কোলেজগী ছাত্রশিংনা পোজিশন ময়াম অমা ফঙখিবননি।

মদ্রাজগী ৱাই এম সি এ কোলেজদা মখা তাবা অখন্নবা ফিজিকেল ট্রেনিং তৌরুনবগীদমক কুমজা ১৯৬৩ দসু অমুক হন্না চৎখি। খোঙচৎ অসিদসু মিষ্টর ৱাই এম সি এ গী টাইটল লৌরকখি।

তশেংনমক, সোইবম মেঘচন্দ্র (মীয়ামগী ওঝা মেঘ) হকচাং-শাজেল অমদি শান্ন-খোৎনবদা কত্থোকপা মীশক অমা ওইখি। ছাত্র অমদি নহারোলশিংবু মশা-মউ ফহন্নবা, শান্ন-খোৎনবদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরমখি।

লমদমসিগী নহারোল মশা-মউফহনবা হায়বসিনা মশাগী অচেৎপা লাইনিং ওইখি। শান্ন-খোৎনবদা অখাকপা লৈতনা তাকপী তম্বীবা, চোকথবা নাইদনা হোৎনবীখিবা কয়াদুগী মপান্না মহাকপু সর্ভিসকী মাইকৈদসু ফমথোল মথং মথং পীদুনা কাহনখি। মতম খরা দি এম কোলেজদা ফিজিকেল ইনস্ট্রক্টর ওইরবা মতুংদা ফিজিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা প্রমোশন ফঙখি। চৈৎ ১৯৭৮ গী জন্যুয়ারি থাদা দেপ্যুটি ইন্সপেক্তর ওফ স্কুলস (ফিজিকেল) ওইনা অমুক প্রমোশন কাখি। মথংদা মনিপুর সরকারগী স্পোর্টস এন্দ য়ুঠস সর্ভিসেসকী দেপ্যুটি দিরেক্তর ওইরকখি। থবক তৌনা তৌনা মশাগী ওইবা শাজেলসু লেপ্লকখিদে।

কুমজা ১৯৮১/৮২ গী একদমীকসেসন দা ৱাই এম সি এ কোলেজ ওফ ফিজিকেল ইদুকেশন মদ্রাজদা, এম পী এদ তম্ন নবগীদমক মনিপুর সরকারনা দেপ্যুটেশন্দা থাখি। হায়রিবা কোর্স অসিগীদমক ১৯৮১ গী জুন্গী তাং ২৯ দা মদ্রাজগীদমক য়ুমদগী খোঙশানখি। এম পী এদ অসিগী অহানবা সিমেষ্টরদা ফষ্টক্লাস ফঙবা ঙমখি।

অসুম্না থা মঙারোম মদ্রাজদা লৈখ্রবা মতুং, ১৯৮১ গী নবেম্বর ৩০ দা অকি তুজুংবনা থল্লবা টেলিগ্রাম অমনা মহাক্কী ইমুঙ-মনুং, মরুপ-মপাং, শান্নরোই অমদি মনিপুর অপুন্বদা কোকথক্ত ৱজনা তাবগুম থোকহনখি। অৱা-নুংঙাইতবা মীকপ মীরাওখোলতনা নিলহনখি। টেলিগ্রামগী ৱারোলদু অসুম্না ইরকখি - "সোইবম মেঘচন্দ্র সিংহ মদ্রাজগী ৱাই এম সি এ কোলেজদা নবেম্বর ৩০ গী অয়ুকপুং ৯ তবা মতমদা হায় ব্লড প্রেসর তৌদুনা লৈখিদ্রে"।

মনিপুরগী বোদি বিল্ডিংগী লময়ানবা শান্নরোই ওইবীখিবা, ভেটরন বিল্ডর অসি সুপ্নগী চহী ৫২ খক্তমক হীঙলমখি। অতেনবা মতম খরদমক হীঙলম্লবসু, বোদি বিল্ডিংগী ৱারী তৌনরকপদা ঙসিফাওবা মীয়াম্না ভেটরন বিল্ডর ওইবীরম্বতা নত্তনা দি এম কোলেজগী অহানবা ফিজিকেল ইন্স্ট্রক্টরসু ওইবীরম্বা শক্লাইরবা মীওই অসিবু কাউথোক্লবা লৈত্রি। দি এম কোলেজদগী হৌরকখিবা, ছাত্র-ছাত্রি কয়ানসু ওঝা অসিবু ঙসিফাওবা নিংশিংনরি। মনিপুরগী স্পোর্টস চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা, মনিপুর অমদি মনিপুরগী মপান্দা মীঙচৎ উরোঙ কয়া খীল্লম্বা মীওই অসিগী ৱারীদি, মনিপুরগী শান্নবুঙগী ইতিহাসতা মতম চুপ্পগী ওইনা লেঙদনা লৈহৌরগনি।

# ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপকীদমক্তা ফিফানা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮ ইয়র মার্ক তৌখ্রে

রিও দি জানিরো, জুন ২০ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ডকপ মায় পাক্না পাঙথোক্লবগী থৌরাং অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন খক্তা নত্তনা মালেমগী ওইনা স্পোর্টস গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ অসি অপন অরাক অমত্তা য়াওদনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মসিগা লোয়ননা ফিফানা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ওইবা ইভেন্ট অসিগীদমক্তা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩৮ ইয়র মার্ক তৌরি।




ইন্দিয়া অসি মালেমগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা য়াম্না শোত্থবা লৈবাক অমা ওইরগসু "স্লীপ্পিং জাইন্ট" হায়না খঙনরি। ব্রাজিলগী সাউ পাউলোদা পাঙথোকপা ফিফা কোংগ্রেসতা শরুক য়াখিবা মকোক থোংবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) গী ওফিসল অমনা হৌজিক হৌজিক ব্রাজিলদা চত্থরিবা ৱার্ল্ড কপ অসি হৌদ্রিঙৈ নুমিৎ কয়ানিগী মমাংদা ব্রাজিলদা লৈদুনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপকী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নদুনা লাকখিবনি হায়না মহাক্না ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফিফাগী প্রসিদেন্ট সেপ ব্লাকরনা হৌজিক্তগীনা চহী ৩ ৱাৎলিবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্না পাঙথোক্লবগী থবক থৌরমশিংদা ইন্দিয়াবু তেঙবাংনবা য়াম্না হকচিনবা মওংদা থবক কয়া লৌখৎলি।

কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক্তা ফিফাগী ওফিসলশিংনা ঐখোয়দা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয়না ওর্গনাইজেস্নেল পর্পোজ খক্কীদমক চাউরাক্লা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৩৮ খাত্তুনা থল্লে হায়না খঙহল্লকখ্রে হায়না এ আই এফ এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট সুভাস চোপ্রানা ফোঙদোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপ্না পাঙথোকখিবা ফিফা কোংগ্রেস অদুদা চোপ্রানা ট্রেজরর হরদেব জদেজা অমসুং ইগজিক্যুটিব কমিটিগী মেম্বর অঙ্কুর দত্তবু এ আই এফ এফকী দেলিগেসনদা য়াওহনখি।

ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুলো পটেলদি কোংগ্রেস অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদ্রে। ব্লাটরনা টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক্তা ইন্দিয়াবু তেঙবাংনবগী অচেৎপা ৱাশক থল্লি অমসুং ঐখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) গী মায়কৈদগীসু সপোর্ট কয়ামরুম ফংলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্টগা মরী লৈনবা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ানা আইয়রলেন্দ, সাউথ এফ্রিকা, উজবেকিস্থান অমসুং অজরবৈজানবু হৌখিবা দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ইগজিক্যুটিব কমিটিগী মীফমদা মায়থীবা পীদুনা বিদ মায়পাকখ্রবা মতুংদা ফিফানা ইন্দিয়াগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনরকখি।

মমাংদা লৈরম্বা য়ু পি এ গভর্নমেন্টনা তঙায়ফদবা গরেন্টি পুম্নমক পীরম্বা অমসুং স্পোর্টিং বোদিনা থমখিবা নোর্ম পুম্নমক ইনখিবা অদুগী মতুংদা ফিফাদা য়াম্না চাউনা থাজবা লৈরকখিবনি। মরক অসিদা ফিফাগী মেম্বর অনীনা শাবা দেলিগেসন অমনা হন্দক্তা ইকুই কুইখিদ্রিঙৈগী মনুংদা ইন্দিয়াদা লৈবা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ শান্নগদবা মফম নিপান য়েংশিনখ্রবনি। য়েংশিনখিবা ষ্টেদিয়মশিং অদুগী মনুংদা ফাতোরদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়ম, মাগাউন অমসুং গোৱা য়াওরি।

নেহরু ষ্টেদিয়মদা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফিফাগী দেলিগেসন্না ফোঙদোক্লমখ্রবনি। ইন্দিয়ানা চহী ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্লবগী বিদ মায় পাক্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন ফুটবোলগীদমক্তা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা হেন্না ফগৎলকপগী ফিভম অমা উরকখ্রে। হান্না শান্নরম্বা অমসুং হৌজিক হৌজিক শান্নরিবা শান্নরোয়শিংনা ইভেন্ট অসিগীদমক্তা অকনবা থবক কয়া পায়খৎখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা পোক্লবা আই এম বিজিয়ান য়াওনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা হান্নগী ফুটবোল্লরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াদা টুর্নামেন্ট অসি লাকপা মতমদা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অতৈ অতোপ্পা শান্নরোই খরনা এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদা মালেমগী লৈবাক পুম্বনা লৈবাক অসিবু মীৎয়েং তারকপা লৈগদবনা ইভেন্ট অসিগা মরী লৈনবা থবকশিং নীংথিনা পায়খৎনবা চেকশিন ৱাফম থমখ্রে।

# ইন্দোনেজিয়া ওপনদা সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে, জ্বালা-অশ্বিনী মায়থিখ্রে

জকার্টা, জুন ২০ ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী সট্লর সাইনা নেহৱাল য়ু এস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈরিবা ইন্দোনেজিয়া ওপন সুপর সেরিজগী ৱুমেন্স সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী জ্বালা গট্টা অমসুং অশ্বিনী পুনপা অনীগী জুরানা মায়থিবা নংখিবদগী ৱুমেন্স দব্বলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চেলেঞ্জ লোয়শিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ ওইরিবী সাইনা নেহৱালনা কির্ষ্টি গিলমোরবু মিনিট ৩৬ চংনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৭, ২১-৯ দা মায়থিবা পীখি। ৱার্ল্ড নম্বর ১৭ ওইরিবা স্কোটিস সট্লরবু ঙরাং ইষ্টোরা গেলেরো বুং কর্নো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৩-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মথংগী রাউন্দদা সাইনা নেহৱালনা ঙসি অথেংবদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনাগী লি জুএরুইগা থেংনগনি। পাউ অসি ইবা ফাউবদদি মেচ অসিগী রিজল্ট ফংবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি সাইনা নেহৱালনা তোপ সিদেদ ওইরিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়নগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা লৈরিবা মায়পাকপা অমসুং মায়থিবগী রেকোর্দ অসি ২-৬ নি। অদুমক ওইনা ইন্দিয়াগী জ্বালা গট্টা অমসুং অশ্বিনি পুনপাগী জুরানা সাউথ কোরিয়াগী য়ে না জাং অমসুং সো য়ং কিম গী মখুত্তা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুরবা রাউন্দদা মায়থিখিবদগী ইন্দিয়ানা ৱুমেন্স দব্বলস ইভেন্টদা



চংশিল্লকখিবা কেম্পেন লোয়শিনখ্রে। মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবা সাউত কোরিয়ান্না জ্বালা অমসুং অশ্বিনীবু ১৬-২১, ২১-১৫, ১২-২১ দা মায়থিবা পীখি।

ADMISSION GUIDANCE 2014-15
MS/MD/MDS/MBBS/BDS/BE
M. Tech/M.Sc.(Nursing)/B.Sc. Nursing
*All Courses are approved by* MCI/DCI/AICTE
Under **NRI & Management Quota**
**Easy Instalment/Scholarship facilities**
**Lenin Pangambam,** Kongba Uchekon
*Contact:* ☎ **9089709346 / 8014023027 / 8794509464**
HL-P/440/19,20,21

# কেরোলাইন ৱোজনিএকি মায় পাকখ্রে



ইষ্টাবোর্ন, জুন ২০ ঃ

হান্নগী চেম্পিয়ন কেরোলাইন ৱোজনিএকি অমসুং ইকাতরিনা মকারোভা ওগোন ইন্টরনেসনেল ক্বার্টর ফাইনেলদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদা খুমাং চাওশিনবা ঙমখ্রে।

কুমজা ২০০৯ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী কেরোলাইন ৱোজনিএকিনা ইটলিগী কেমিলা জিওর্জিয়াগী মায়কৈদগী পীরকপা অকনবা চেলেঞ্জ অমা মায়োক্লরবা মতুংদা মহাক্কী লম্বাবু ৬-৭ (৭), ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীখি। কুমজা ২০১০ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবী রসিয়াগী মকারোভানা এনজেলিক কর্বরগী মখুত্তা ৬-২, ৬-১ দা মায়থিবা নংখি।

মরক অসিদা কুমজা ২০১১ দা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী পেত্রো কেবিতোবাদি মহাক্কী য়েৎথংবা মখোঙদা অনাবা লৈরকপদগী টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱিথদ্রো তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মথংগী চয়োলদা শান্নবা হৌগদৌরিবা ৱিম্বলদন্দদি শান্নবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা কেরোলাইন ৱোজনিএকি অমসুং জিওর্জি অনীনা অনীশুবা সেট শান্নরকখিবদা মেচ অদুবু য়েংলিবা মীওই অমা জিওর্জিনা ৪-৩ দা মাঙজিন থাদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জাদা ষ্টেন্দগী ষ্ট্রেচর অমদা হাপ্পগা পুথোকখিবদা অপনবা খরা থোকখি। শান্নবা অমুক হৌরকখিবা মতমদা জিওর্জিনা ৫-৩ দা মাঙজিন থানবা হোৎনরকখিবদা ব্রেক পোইন্ট মায়পাকপা ঙমখিদে।

কেরোলাইন ৱোজনিএকিনা লেভেল অমদা লৈহন্নবা হোৎনরকখিবদা ষ্ট্রেট গেম অহুম মায় পাকপা ঙমখি। ফাইনেল সেট শান্নরকখিবা মতমদা কেরোলাইন ৱোজনিএকিদা প্রেসর খরা লৈবা উখি। মহাক্না ২-১ দা মাঙজিল থাদ্রিঙৈ মমাংদা ব্রেক পোইন্ট অনী মায়োক্লদুনা থেংনরকখিবা মতমদা প্রেসর অদু মায়োক্লখিবনি। ৪-২ দা মাঙজিন থাদুনা লৈরকখিবা মতমদা দব্বল ফোল্ট লৈরকখি অমসুং কেরোলাইন ৱোজনিএকিনা মায় পাক্লবগীদমক্তা সর্ব তৌবগী তাঞ্জা লৈখি অমসুং মায় পাকপা ঙমখি। মায় পাক্লবা মতুংদা কেরোলাইন ৱোজনিএকিনা ফোঙদোকখিবদি কেমিলা অসি থাঙ্গৈশেংনা য়াম্না ফজনা শান্নে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। পনবা য়াই ঙরাং কর্বর অমসুং মকারোভা অনীনা শান্নখিবা মেচ অদুদা কর্বরনা ব্রেক পোইন্ট মরি লৌদুনা ১-১ দা লৈহনবা ঙমখি। মহাক্কী মায়কৈদগী অহানবা গেম অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা ব্রেক পোইন্ট মরি লৌদবা য়াদবগী তাঞ্জা অমসু মায়োক্লখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জুন ২০ ঃ

দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল প্রাক্টিস গ্রাউন্দদা চত্থরিবা দিষ্ট্রিক লেভেল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন্দর ১৭ অমসুং অন্দর ১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অন্দর ১৭ গী সেমি ফাইনেলদা এফ্রোস হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাবৈসোই অমসুং প্রাইম রোজ ইংলিস স্কুল খাবৈসোই মায় পাক্তুনা ফাইনেল চংখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা এফ্রোস হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাবৈসোইনা মনিপুর পব্লিক স্কুল কোইরেঙ্গৈ গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে। মেচ অদুদা চাওনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চংখ্রবা এফ্রোস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গোলশিং অদু সৈলাসনা গোল অহুম মেচকী ৬, ২৬ অমসুং ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি। থৌঙমনা গোল অনী মেচকী ১বা অমসুং ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। সুরেস অমসুং মনিরঞ্জন্না গোল অমমম মেচকী ৩০ অমসুং ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচতা প্রাইম রোজ ইংলিস স্কুল খাবৈসোইনা পোইরৌ খোংজিল হায়স্কুলবু ত্রাই ব্রেক্তা ৫-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

মেচ অদুগী নোর্মেল তাইমদা টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নখি। প্রাইম রোজগী গোল অদু মাষ্টরনা চনখি। পোইরৌ খোংজিলগী গোল অদু লৈশেম্বনা চনখি। ত্রাই ব্রেক্কী কিকস ফ্রোম পেনালটি মার্কতা প্রাইম রোজ ইংলিস স্কুলগী গোল মরি অদু অজিমুদ্দিন, অকবর খান, অফ্রিকুর অমসুং রিয়াজনা চনখি। পোইরৌ খোংজিলগী গোল অহুম অদুনা সুরেস, সমানন্দ অমসুং প্রেমজিৎনা চনখি।

# ইম্ফাল রেঞ্জনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ ঃ

গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিংনা শীন্দুনা চত্থরকপা ৩ শুবা ইন্টর রেঞ্জ ও পি এস হেন্দ বোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ৱিন্নর ইম্ফাল রেঞ্জনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল রেঞ্জনা গুৱাহাটি রেঞ্জবু গোল ৩২-৯ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল রেঞ্জগী গোলশিং অদু ঐচ প্রেমানন্দনা গোল ৮, কে ইবোমচানা গোল ৭, ৱাই রতন্না গোল ৫, এল দোরেন্দ্রোনা গোল ৫, য়ু কে চক্রবর্তিনা গোল ৪, এস সোমোরজিৎনা গোল ২ অমসুং কে কে সিংহনা গোল ১ চনখি।

রন্নর্স অপ তাহৌরবা গুৱাহাটি রেঞ্জগী গোলশিং অদু আর এল মিনানা গোল ৭, গুরুদেব অমসুং আর দি সিংহনা গোল অমমম চনখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী বোক্সরশিং ওক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২০ ঃ

মনিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মমাং থাগী তাং ২৭ তগী জুনগী তাং ১ ফাওবদা খুমন লম্পাক বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা ইম্ফাল ৱেষ্ট বোক্সিং টিম ওকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা সেগা রোদতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট বোক্সিং একাদেমিদা পাঙথোক্কদৌরিবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অদুদা মরী লৈনবা শান্নরোইশিংনা মতম চানা লাক্কদবনি হায়রি।

# মনিন্দ্র মেমোরিয়েল বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ

ইম্ফাল, জুন ২০ ঃ

মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন অমসুং বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মোইরাং অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা অহানবা এম মনিন্দ্র মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল কেস প্রাইজ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ মথং থাগী ২ দগী ৬ ফাওবা মোইরাং মুক্ত হায়স্কুল মনাক্তা লৈবা মনিন্দ্র মেমোরিয়েল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গালর্স, জুনিয়র অন্দর ১৯ বোইজ এন্দ গালর্স, মেন্স এন্দ ৱুমেন্স ওপন, চহী ৩৫ মথক্কী নুপাগী ভেটেরান, চহী ৪০ মথক্কী নুপাগী ভেটেরান অমসুং চহী ৫০ মথক্কী নুপাগী ভেটেরান সিঙ্গল অমসুং দবল ইভেন্টশিংদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি।

# হিরেন্না নেসনেল স্বিমিং কম্পিটিসন্দা মেদলগী আশা তৌরি



ইম্ফাল, জুন ২০ ঃ

ইন্দিয়াগী ওইনা স্পোর্টসতা পাৱর হাউসনি হায়রিবা মনিপুরনা মশান্না কয়াদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌবা ঙম্লবসু স্বিমিং মশান্নদদি মনিপুরগী স্বিমর অমত্তনা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তী লায়রদনা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা স্বিমিং কম্পিটিসনদা মেদল লৌবা ঙমদনা লাক্লি।

লমদমসিগী মীয়াম্না তৎতনা ঙাংনদুনা লাক্লিবা স্বিমিং মশান্নদা মেদল মশিং য়াম্না লৈরবসু নেসনেল লেভেল কম্পিটিসনদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমদে হায়রম্বদু তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা স্বিমর সগোলসেম হিরেন্না হন্দক থা অসিগী ২৬ দগী ২৯ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা পাঙথোক্কদবা ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনেল এক্কাটিক চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা মনিপুরগী মেদল শোয়দনা ফংলক্লগনি। চহী নৌরিবা তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা স্বিমর হিরেন্না চেম্পিয়নসিপ অসিগীদমক য়াম্না কন্না প্রাক্তিস তৌদুনা মেদল লৌননবা হোৎনরি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগীদমক সগোলশেম হিরেন সাইগী মখাদা ইন্টর্নসিপ তৌরিবা এ অশোক্কুমারগী মখাদা য়াম্না কন্না প্রাক্টিস তৌরি। মহাক্না চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইভেন্ট অহুম মিটর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইল অমসুং মিটর ৫০ গী বটর ফ্লাই ইভেন্টদা শরুক য়াগনি।

য়াসকী আর সি সি প্রোগ্রামদগী হৌরকখিবা হৌজিক্লা সাইগী কম এন্দ প্লে স্কিমদা য়াওরিবা সগোলসেম হিরেন্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল চেম্পিয়নসিপ অসিদা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা লমদমসিগী মেদল লৌরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মনিপুরদগী অতোপ্পা শান্নরোয় কেঐচ খ্বাইঙম্বা, কেঐচ ঙানবা অমসুং এস রিকি য়াওরি। নুপীগী কাঙলুপ্তা ঐচ ইশিকা, অপিথোই হিজম, রিটু হাওবিজম অমসুং সিঐচ মেরিনা শরুক য়াগনি। দাইভিংদা টিঐচ মোমো অমসুং ও প্রেমানন্দ শরুক য়াগনি। মনিপুর টিমগী স্বিমিংগী কোচনা কেএসঐচ রাধাপিয়ারি, দাইভিংগী কোচনা টিঐচ চন্দ্রকুমার অমসুং মেনেজরনা এম লোকেশ্বরনি।



HL-P/268/7-22 June

PROGRESSIVE EDUCATIONAL COUNSEL
Singjamei Leishangthem Leikai, Imphal West
DIRECT ADMISSION, 2014-15
MBBS, MDS, PG, BDS, BSC NURSING, GNM, BHMS, BAMS, MSC NURSING, BPT, BSC MLT, B-PHARM, D-PHARM, AYUSH PHARM, BSC AGRI/ FORESTRY, BE/B-TECH (ALL BRANCH), (LATERAL ENTRY) ME/M-TECH, BBA, BCA, LLB, MBA, MCA, BIO-TECH, MICRO BIOLOGY, ART & SCIENCE STREAM ETC.
N. Arun Singh
Ningthemchakarong
9089335398
M. Jotin Singh
Wangbal, Thoubal
9612033950
HL-B/1020/17Jun-16Jul

